# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৯ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

২) ২২ শুবা শুমাং লিলা নিংথম কুম্মৈ ২০২৫ ঙসিদগী ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা হৌরগনি।

অমসুং

৩) নিউ দিল্লিদা চথরিবা চীফ সেকেতরিশিংগী ৫ শুবা নেসনেল কনফরেন্সকী মীফমগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতসু প্রধান মন্ত্রি শরুক য়াগনি।

------

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৯ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

শুমাং লিলাং (এল)ঃ  ২২ শুবা শুমাং লিলা নিংথম কুম্মৈ ২০২৫ ঙসিদগী ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা হৌরগনি। মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিলনা শিনবা কুম্মৈ অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার ঐচ. গ্যানপ্রকাশ অমসুং জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদমিগী দাইরেক্তর পি. বিলাস সিংহ শরুক য়াগনি। ফেষ্টিভেল অসিনা পুন্না শুমাং লিলা ৯ উৎকনি। মসি থা অসিগী ৭ তা লোইশিনগনি।

পুলিস (এল)ঃ  সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থি হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমশিংদগী মীওই অনি খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে। মখোয়দগীমরু য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু ৩১ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনদা স্মার্ট মাল খানা অমা হাংদোকখ্রে। মাল খানা অসিনা পুলিসকী থবক থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

চান্দেল (এল)ঃ  অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা তেংনৌপল জিলাগী মোরে ৱার্দ নম্বর টুগী মনুং চন্না লৈবা মিসন ভেংদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি চান্দেল, নেসনেল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি অমসুং মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা মোরেগী জ্‌দিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস অমসুং মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী দিপ্যুতি মেম্বর সেক্রেতরিনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি। মদুদা পুলিস, ইনভেষ্টিগেতিং য়ুনিত অমসুং সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

পিএম ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা চীফ সেকেতরিশিংগী ৫ শুবা নেসনেল কনফরেন্সকী ঙরাং নিনি চনবা নুমিৎতা সভাপতি ওইনা শরুক য়াখি। নিউ দিল্লিদা চথ্খরিবা মীফম অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতসু প্রধান মন্ত্রি শরুক য়াগনি।

মীফম অসি কেন্দ্র অমসুং রাজ্যশিংগী মরক্তা অফবা মরী থমদুনা লৈবাক অসিবু হেন্না মাঙলোমদা চাওখৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। মীফম অসিদা মপুং ওইনা লৈঙাক সাসনদা টেকোলোজি শিজিন্নবা, লেফটৱিং এক্সত্রিমিজম থেংনবা, আত্মা নিরভর তুরিজমনচিংবা হিরম কয়াদা মপুং ওইনা খন্নখি। মীফম অসি হ্যুমেন কেপিটেল ফোর ভিক্সিত ভারত হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ   রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু ঙসি অৱাং থংবা করনাতক্কী করৱারদা লৈবা আই.এন.এস কদাম্বা নেভেল বেজদা চৎকনি। মহাকা গোৱাদগী করৱার নেভেল বেজদা চৎকনি। মফম অদুদা মহাকপু করনাতক্কী রাজ্যপাল থৱারচান্দ ঘেলোৎ অমদি মন্ত্রি কয়ানা তরামা ওক্কনি। মদুগী তুংদা রাষ্ট্রপতিনা কনৱার হারবরদগী সবমেরিন তোংগনি। হান্নগী রাষ্ট্রপতি এ.পি.জে. অবদুল কলামনা ২০০৬ ভিশাখাপতমদা সবমেরিন তোংখ্রবা মতুংদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা সমমেরিন তোংবা অনিসুবা রাষ্ট্রপতি ওইরগনি।

লান্মী ঃ   ভারত লান্মীনা পাকিস্তানগী তেরোরিষ্টশিং তকথোকবগীদমক জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী কিষ্টৱার অমসুং দোহা জিলাশিংদা ৱিন্টর কাউন্টর তেরোরিজমগী ওপরেসনশিং চথ্খরি।

ঙাকশেলগী পাউনা হায়- তোঙান তোঙানবা ইন্তেলিজেন্স এজেন্সিশিংনা পীরকপা পাউগী মতুংইন্না পাকিস্তানগী তেরোরিষ্ট ৩০ দগী ৩৫ ফাওবা মফমশিং অদুদা লোৎতুনা লৈরি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়- ভারত লান্মীনা মফম অদুগী অৱাংবা অমসুং উন তাবা মফমশিংদা তেরোরিষ্টশিং অসিবু ফানবা ওপরেসন চথ্খরি।

কঞ্জুমর ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ কঞ্জুমর এফ্যারসনা পায়খৎপা থৌরাং- নেসনেল কঞ্জুমর হেল্প লাইননা তোঙান তোঙানবা সেক্তর ৩১ গী লুপা কোতি ৪৫ হন্দোকহনবা ঙমখ্রে।

কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রালয়না হায়- হৌখিবা থা ৮ অসিদা কঞ্জুমর লিশিং ৬৭ কী ৱাকৎশিং লোইশিনবা ঙমখ্রে। মন্ত্রালয় অসিনা মখা তানা হায়- ই-কম্মর্স সেক্তরগী ওইনা ৱাকৎ লিশিং ৩৯ হেন্না লাক্তুনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা ৱাকৎ ওইদুনা পুন্না লুপা কোতি ৩২ হন্দোকহনখ্রে।

জেকে ঃ জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী উপ-রাজ্যপাল মনোজ সিনহানা হায়রি- শিবখোরি লাইশঙদা লাই খুরুম্বা লাকপা মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক অথুবা মতমদা হেলিকোপ্তর সার্ভিস লৈহল্লগনি। থৌরাং অসি পায়খৎনবা মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে।

ৱাফম অসি কাত্রাদা লৈবা শ্রীমাতা বৈষ্ণো দেবী য়ুনিভর্সিতিগী ১১ শুবা কনভোকেসনদা উপ-রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবনি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর অমসুং উত্তর প্রদেশতা থা অসিগী ৩০ ফাওবা লৈচিল কুংনা থাগনি।

পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, অৱাং থংবা রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ অমসুং ছত্তিসগরদসু লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা অইংবা নুংশিৎ শিৎকনি। নোংপোক থংবা উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারদসু হয়েং য়ামা ইংগনি হায়রি।

লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি অমসুং এন.সি.আরদা হৌজিক নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংলি। সেন্ত্রেল পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মতুংইন্না ঙরাং ফাওবদা এয়ার ক্বালিতি ইন্দেক্স অসি ৩৯০ ওইখি।

অমরোমদা, দিল্লি অমসুং অৱাং থংবা ভারতকী রাজ্যশিংদা লৈচিল কুংনা থাবা মরমনা রেলগাড়ি ৩৬ থেংথনা চেনখি অমসুং এরোপ্লেনশিংসু থেংথনা পাইখি।

বেলোচ ঃ বেলোচিস্তানদা চথখিবা তোঙান তোঙানবা এটেক অনিদা পাকিস্তানগী লান্মী ৬ শিখিবা অদু বেলোচিস্তান লিবরেসন ফ্রন্ট (বি.এল.এফ)না চথখিবনি হয়রি।

চেরোল অমদা বি.এল.এফকী ৱাঙাংলোয় মেজর গ্বারাম বেলোচনা হায়-হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা শুরব বজারগী পুলিস চ্যেক পোইন্ট অমসুং অপুনবা ফ্রন্তিয়ার কোরদা বি.এল.এফনা নোংমৈ কাপশিনখি। হায়রিবা নুমিৎ অসিমক্তা ওরমারাদা লৈবা মিলিটরি কেম্পতসু বি.এল.এফনা এটেক চথখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি মণিপুরদা ফোংলিবা পাউচেশিংদা কেম্পেন ফোর জষ্টিস এন্দ দিলিমিতেসন্না শিন্দুনা সেন্সস অমসুং দিলিমিতেসনগী মতাংদা খন্নখিবা অমসুং ইমোইনু ইরাৎ থৌনি নুমিৎকা মরী লৈননা শিনবা ঙাগী মেলা চয়েৎনবগী পাউনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

জে.এফ.দিগী পোলিতিকেল পার্তি কনক্লেভনা মণিপুরগী সেন্সস য়েথোকহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আর.সি লোইরগা সেন্সস তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসতা তকশিন্দুনা এন.আর.সি অপদেট তৌরগা মীতোপ খন্দোকবা ৱারেপখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, দ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন অমসুং নহারোলগী থৌদাংদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঙামীশিংগী য়েংলগা ঙা মেলা পাঙথোকপদা থল্লিবা অথিংবা হন্দোকপীয়ু হায়না ওল মণিপুর সাইন্তিফিক ফিস ফারমর এসোসিয়েসন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহাশিং তোইনা পুলহনবনা মখোয়গী মরক্তা অমত্তা ওইবগী শক্তম শাগৎপা ঙম্লক্কনি হায়না স্পিকর থোকচোম সত্যবর্তনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতিগী অখন্নবা মীফম পাঙথোকখ্রে, জনুৱারি ৫ দগী এম.জি-নরেগা বচাউ অভিয়ান খোঙজং হৌগদৌরি হায়না হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অইবা লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী বার্থ সেন্তিনারি নেসনেল সেমিনার পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

চাথোক লৈবা চাকহাওসনা পুথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------